# সরেন্দর তৌবা এন ঈগী লালহৌবশিংগী অনৌবা স্কিম অমা এম ঐচ এনা পুথোক্লে

গুৱাহাটি, মে ২৯ (এজেন্সী:

লান্না লমজিংবীখ্রবা নহারোলশিংবু লালহৌবা ওর্গনাইজেসনশিং থাদোক্নীংবগী ৱাখল পোকহন্নবগী পান্দমদা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেযার্স (এম ঐচ এ)না অৱাং-নোংপোক লমদমগী ওইবা অহেনবা ইন্সেন্টিভশিং য়াওবা নৌনা শেমদোক্লবা সরেন্দর কম রিহেবিলিটেসন স্কিম অমা পুথোক্লে।

অদুমওইনমক স্কিম অদুবু লান্না শীজিন্নবা য়াহন্দনবগীদমক্তা মিলিটেন্টশিংবু অনৌবা স্কিমগী কান্নবশিং লৌহনদ্রিঙৈগী মমাংদা মখোয়গী মমাংঙৈগী মরী-মখোঙশিং য়েংশিনহন্নবা ষ্টেট লেবেল স্কৃনিং কম্মিটিশিং শেম্লে হায়রি।

অসাম পুলিস স্পেসল ব্রাঞ্চকী স্পেসল দিরেক্টর জেনরেল পলাব বাত্তাচার্য্যনা পাউ মীশিংদা ফোঙদোকখিবদা মমাংগী স্কিমগী প্রোভিজনশিংদা ফোঙদোকখিবদা মমাংগী স্কিমগী প্রোভিজনশিংগী মতুংইন্না, সরেন্দর তৌবা লালহৌবশিং (মিলিটেন্টশিং) অমসুং সিজ ফায়র এগ্রীমেন্টগী মখাদা লৈরিবা লালহৌবা খূদিংমক্না থাগী ষ্টাইপেন্দ লুপা ৩,০০০ গা লোয়ননা গভর্ণমেন্ট অমসুং মরী লৈনবা মিলিটেন্ট গ্রুপকী মরক্তা মেমোরেন্দম ওফ সেট্টলমেন্ট সাইন তৌনরবা মতুংদা মখোয় লোইনমক অমুক্কী গ্রান্ট ওইবা লুপা লাখ ১.৫০ সু ফংলম্মী।

তৌইগুম্বসুং অনৌবা স্কিম অসিগী মতুংইন্না, গভর্ণমেন্টগা ৱারী শাননবা থোক্লক্লবা লালহৌবশিংদি থাগী ষ্টাইপেন্দ লুপা ৬,০০০ কা লোয়ননা করিগুম্বা মখোয়না নোংমৈ অমসুং নোংমৈ মরূনচিংবা গভর্ণমেন্টদা পীশিনবা তারবদি দিপোজিট তৌরিবা খূৎলায়শিংদুগী মখা পোন্না অহেনবা ইন্সেন্টেব ফংগনি। মসিগী মথক্তা লালহৌবা খূদিংমক্কী ওইনা লুপা লাখ ৪গী শেনফম অমসুং ফিক্স দিপোজিট ওইনা থমগনি। শেনফম অদু মখোয়না এম ও এস সাইন তৌনরবা মতুংদা ফংগনি।

অদুমওইনমক, সরেন্দর তৌবা মিলিটেন্ট অদু হায়রিবা মতমসিগী মনুংদা ক্রিমিনেল এক্তিভিটিদা চেন্নবা থোক্লবদি অদুগুম্বা মীওই অদু শেনফম অসি ফংলোই। অসিগুম্বা ক্লোজ অমা য়াওবসিনা সরেন্দর তৌরবা মিলিটেন্টশিংগী সিজ ফায়র এগ্রীমেন্টগী মখাদা লৈরিঙৈ মনুংদা লোনা য়াদবা থবক থৌওংশিংদা চেন্নহন্দবদা মতেং পাংগনি হায়না বাত্তাচার্য্যনা ফোঙদোকখি।

শেংদবা মওংগী সরেন্দর খূৎতৌশিং থোকহন্দনবগীদমক্তা ওভরগ্রাউন্দদা লাকপা পাম্বা লালহৌবশিংবু স্ক্রিনিং তৌনবগী প্রোভিজন অমা অনৌবা স্কিম অদুদা য়াওরি। অসামগী ওইনদি ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা স্পেসল ব্রাঞ্চকী স্পেসল দি জি পিনা লুচিংবা স্ক্রিনিং কম্মিটি অমা শেমখ্রবনি। স্ক্রিনিং কম্মিটি অদুদা আর্মি, অসাম রাইফলস, সেন্ট্রেল রিজার্ব পুলিস ফোর্স, এস এস বি, বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্স, সবসিদিএরি ইন্টলিজেন্স ব্যুরো অসিনচিংবগী সিনিয়র ওফিসরশিংসু য়াওরি।

স্পেসল দি জি পিনা মখা তানা হায়খি মদুদি, স্কিল দিভলপমেন্ট ট্রেনিং পীদুনা সরেন্দর তৌরবা মিলিটেন্টশিংদা মশানা মশাবু থবক পীজনবগী খূদোংচাবশিংসু ফংহন্নবা হোৎনরি।

অসামদা হৌজিক তোঙান-তোঙানবা গ্রুপশিংগী মিলিটেন্ট ৩,৫০০ রোম সিজ ফায়র এগ্রীমেন্টগী মখাদা লৈরি অমসুং মখোয়সু অনৌবা স্কিমগী মখাদা কান্নবশিং লৌবা য়াগনি।

সিজ ফায়র এগ্রীমেন্টগী মখাদা লৈরিবা মিলিটেন্টশিংগী মায়োক্তা লৈরিবা কেসশিং ৱিথদ্রো তৌবগী মতাংদা বাত্তাচার্য্যনা হায়খি মদুদি, ইস্যু অসি মরী লৈনবা গ্রুপশিংগা এম ও এস সাইন তৌনবা মতমদা খন্নে। অকুপ্পশিং পল্লদুনা মহাক্না হায়, য়াম্না ফত্তবা ক্রাইমশিংগী কেসশিং ৱিথদ্রো তৌরোই তৌইগুম্বসুং শাথীবা নৎতবা ক্রাইমশিংগা মরী লৈনবা কেসশিংদি গভর্ণমেন্টনা ৱিথদ্রো তৌনবা খন্নগনি হায়খি।

## স্পেসল সন্দে পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৯ (ঐচ এন এস):

লাইব্রেরি এন্দ ইনফোমেসন সেন্তর, ককচিংনা নোংমাইজিং নুমিৎ খুদিংগী পাঙথোক্লিবা স্পেসল সন্দেগী ২৫৩ শুবা এদিসন থা অসিগী ২৭তা য়ুম্বীমচা হায় স্কুল ককচিংগী প্লেগ্রাউন্দদা পাঙথোকখ্রে।

স্পেসল সেসন অদুদা পিছ মেকর আর্টিষ্ট এসোসিএসন, ইম্ফালগী শুমাঙ কুম্মৈ মেদাম কুরি মীয়ামগী মফমদা খুদোল তমখি। শুমাঙ কুম্মৈ অসি প্রো. এন রাজমোহন (এম য়ু)গী *ভোয়েজ থ্রু রেস লাইফ এন্দ ৱাকস ওফ মেদাম কুরি* হায়বা লাইরিক অদুদা য়ুম্ফম ওইদুনা অইবা রঞ্জিৎ নিংথৌজানা শুমাঙ কুম্মৈ ওইনা ইথোকপনি। মহৈরোই অমদি মমা-মপা, অহল য়াওনা মীওই কয়া তিনখিবা থৌরম অদুদা স্পেশল সন্দেগী প্রাইজ ৱিন্নরশিংদা লাইব্রেরি এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্তরগী প্রাইজশিং য়েন্থোকখি হায়রি।

লোয়ন লোয়ননা হন্দক্তা ফল লাউথোকখিবা ঐচ এস এল সি ইগজাম ২০১৮ গী পোজিসন হোল্ডরশিং অদুদি বি বালকৃষ্ণ শর্ম্মা (অহুমশুবা পোজিসন), কে রেনিৱার কোম (২৩ শুবা পোজিসন), সবজেক্ট তোপ্পরশিং এন ভগ্যরাজ সিংহ (হায়র মেথ) অমদি এন সুভাস (কর্ম্মস) মহৈরোই মরিদা লাইব্রেসিগী মীয়ামদগী অখন্নবা খুদোলশিং পীখি হায়রি। থৌরম অদুদা লমদম অদুগী শক্লাইরবা মীওইশিংসু শরুক য়াখি।

## মাওদগী নন-মণিপুরী ১২ হলহনখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৯ (ঐচ এন এস) :

মণিপুরদা মরী লৈনবা চে চাং য়াওদনা চঙলকপা মীওই পুলিসনা চেক তৌদুনা ফাগৎপগী থবক লেপ্তুনা চথবগী শরুক অমা ওইনা ঙসিসু নেসনেল হায়ৱে নম্বর ২ দা দিমাপুরদগী ইম্ফাল তম্না ৱিঙ্গর অমদি বস লাকপা মীওই কয়া মাও পুলিসনা মাওদা চেক তৌবগী থবক চথখ্রে।

ঙসি অয়ুক অঙনবদা মাও চেক পোষ্টতা পুলিসনা বস অমদি ৱিঙ্গর চেক তৌবদা মশাগী শক্তাকচে য়াওরমদবা নন-মণিপুরী ১২ রোম ফারগা মখোয়গী মরমদমদা হলহনখ্রে হায়রি।

পনবা য়াবদি মণিপুরদা নোংমা কাংদনা মণিপুরগী ৱাংমদগী মরী লৈনবা চে চাং য়াওদনা তোইনা চঙলকপদগী মণিপুরগী দিরেক্তর জেনরেল ওফ পুলিস (দি জি পি) এল এম খৌতেনা মণিপুরগী হায়ৱেশিংদা লৈবা পুলিস চেক পোষ্টশিংনা চেকশিন্না মপান লমদগী চঙলকপা চে চাং য়াওদবা মীওইশিং ফাগৎনবগীদমক চেকশিন থৌরাং ওইনা থাসিগী ২২ দগী অকনবা ৱাফম থম্বা লৈখ্রে। মরু ওইনা নেসনেল হায়ৱে নম্বর ৩৭ জিরিবাম, নেসনেল হায়ৱে নম্বর ২ মাও, নেসনেল হায়ৱে নম্বর ১০২ মোরে অমদি নেসনেল হায়ৱে ১৫০গী বিহাংনচিংবদা অকনবা থবক পায়খৎনবা খঙহনবা লৈখ্রে।

# মণিপুরগী মিনিষ্টর অমগী অহানবা খোঙচৎনা নীংথি ভিলেজগী মীয়াম্বু হরাওহল্লে

কামজোং, মে ২৯ (ঐচ এন এস):

মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী ইষ্ট্রক্সন মখাদা গো টু ভিলেজ মিসনগী শরুক অমা ওইনা ষ্টেট অসিগী ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরমেন্ট মিনিষ্টর থৌনাওজম শ্যামকুমারনা কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী ফুংয়ার এসেমব্লি কন্সটিট্যুসন মনুং চন্না লৈবা নীংথি ভিলেজদা লাকখিবদা খুঞ্জাশিংনা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোক্লখ্রে।

ইম্ফালদগী কিলোমিটর ১৩৫ রোম লাপ্পা লৈবা নীংথি ভিলেজগী খুল্লাকপা এন এস শিমরেনা হায়খি মদুদি তাঙখুল ট্রাইবকী মীওইশিংনা খুন্দাবা ভিলেজ অদুদা য়ুমথেং ১৮৭ লৈবগা লোয়ননা মদুগী অপুনবা মীশিংনা ১,২০০ নি। ঈংনা-চীক্না লৈবা পামজবা, খুঙ্গং অসিগী খুঞ্জাশিংগী মরু ওইবা শীনফমদি লৌউ-শিংউবনি।

মণিপুর লৈঙাক্কী মিনিষ্টর অমনা ইহান হানবা ওইনা খুঙ্গং অসিদা লাকপদা খুঞ্জাশিং হরাওনরে। খুঞ্জাশিংনা মতম কয়াগী মমাঙদগী মঙজরকপা মঙলান অমা মঙফাওনরে হায়না শিমরেনা ফোঙদোকখি।

ইনফ্রাষ্ট্রকচরগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, খুঙ্গং অসিদা লৈরিবা প্রাইমরি হেল্থ সব সেন্টরনা অনা-অয়েক মচা মশু লায়েংবা ঙম্লবসু খরা লুবা কেস লাকপদদি খুঞ্জাশিংনা কামজোং অমদি উখ্রুল তান্না চৎলি। চৎথোক-চৎশিনগী মতাংদসু খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্নে। শুপ্নগী গাড়ি অমখক চেনবা মরম্না কামজোং ফাওবা চৎপদা মীওই অমনা লুপা ১০০ পীবগী মথৌ তারি। নীংথি ভিলেজগী খুঞ্জাশিংনা মায়োক্নরিবা খুদোংচাদবা অমসুং অৱাৎ অপাশিং য়েংশিনবীনবা মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমার থারকপগীদমক খুল্লাকপা শিমরেনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনবু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

## মোক ড্রিল পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৯ (ঐচ এন এস) :

পিপলস রির্সোস দিভলপমেন্ট এসোসিএসন (পি আর দি এ), ও এক্স এফ এ এম ইন্দিয়া অমসুং ১২ শুবা বাট্টালিয়ান নেসনেল দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্স (এন দি আর এফ) দোইমুক অরুনাচল প্রদেসনা পুন্না খুৎশম্নদুনা নোংমগী ওইবা দিজাষ্টরগী মরমদা খঙমিন্নবা মোক ড্রিল উৎপগী থৌরম অমা পি আর দি এ বিষ্ণুপুরগ কনফরেন্স হোলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা পি আর দি এগী সেক্রেটরি এল সুরঞ্জোয় ১২ শুবা এন দি আর এফকী সেকেন্দ ইন কমান্দ এস আই/জি দি নিখিল মালিক, এ এস আই/আর ও টি সোমোরজেননা শরুক য়াদুনা হৌদোকখি। অনীশুবা বট্টালিয়ান এন দি আর এফকী মায়কৈদগী লাকপা অখঙ-অহৈ কয়ানা ঈশিং ঈচাও, মৈহৌ লাংপোক, য়ুহার হাবা অমদি নোংলৈ নুংশিৎ অকনবা লাকপা মতমদা খঙহৌদনা থোক্লকপদা করি চেকশিন থৌরাং লৌখৎকনি, মীওইবা অমদি য়ুমশা, জীব পানবশিংগী পুন্সি করম্না কনগনি হায়বনচিংবা কয়া খঙমিন্নবা এৱ্যার্নেস পীবগা লোয়ননা থবক ওইনা উৎতুনা তাকখি।

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী দিজাষ্টর প্রোন ওইবা খুঙ্গংদগী লাকপা মীওই ৭০ রোম অমদি শক্লাইরবা মীওই কয়াসু থৌরম অদুদা শরুক য়াখি হায়রি।

## অৱার্দ য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৯ : হন্দক্তা ফল লাউথোকখিবা কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুরনা লৌবা ক্লাস টুয়েল্বকী এগজামদা সাইন্স ষ্ট্রিমদা মপালশুবা পোজিসন ফংলকখ্রবী অকোইজম বাদল অমদি সি বি এস ইনা লৌবা ক্লাস টুয়েল্বকী এগজামদা উত্তরখন্দ রিজনগী ওইনা অনীশুবা পোজিসন ফংলকখ্রবা থৌবাল মেলা গ্রাউন্দগী অকোইজম পান্থোইবদা অহানবা ইবুধৌ অকোইজম কৈতান স্কোলরসিপ এন্দ য়ুথ সপোর্ট ইনিসিয়েটিব ২০১৮ খুৎশিন্নখি। লোয়ননা অকোইজম বোরজিৎ অমদি অকোইজম তোসিবাদা স্পেশল এৱার্দ খুৎশিন্নখি হায়রি।

# লৈঙাক্না প্রাইভেট স্কুলশিং য়েংশিনহন্নিংই : দেসাম

ইম্ফাল, মে ২৯ (ঐচ এন এস):

ষ্টেট অসিদা নৌনা লিংখৎলক্লিবা প্রাইভেটশিং স্কুলশিং অসি মরম চাদনা নৌনা রিকোগনাইজ তৌবা য়ারোই হায়না দিমোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এল্লাইয়েন্স ওফ মণিপুর (দেসাম)না ফোঙদোরক্লি।

দিমোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এল্লাইয়েন্স ওফ মণিপুর (দেসাম)গী সেক্রেটরি জেনরেল সিতল ওইনামনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, লৈকায়, লৈরক খুদিংগী বিল্ডিং অমবু লৈরবদি স্কুল অমা লিংখৎলক্তুনা স্কুল অমগা অমগা য়াম্না নক্নুনা লৈফম থোকপা ক্রাইটরিয়া শুবা অমদি শুদবা থিদনা স্কুল হাংবা অমদি রিকোগনাইজ পংতৌদা তৌবা য়ারোই। মফম চাবা চাদবা থিদনা অমদি স্কুলগী কেম্পস লৈবা লৈতবা থিদনা অমদি বিল্ডিং অমদি ইনফ্রাষ্ট্রকচরসু য়েংশিন্দনা স্কুল অমবু মতম মতমগী মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা লান্না রিকোগনাইজ তৌরিবা অসি মখা চথুবীগনু হায়রি।

প্রাইভেট স্কুল অমগী লৈফম থোকপা আর আর শুবা অমদি শুদবা থিদনা স্কুল অমবু হেক্তা রিকোগনাইজ তৌরম্বা অমদি লিংখৎনরকপনা ঙসিদি স্কুল অমগা স্কুল অমগা য়াম্না নক্নুনা লৈরক্লে অমদি স্কুলশিং অসিবু য়েংশিনবীনবা য়াওদনা খুন্নাই অসিগী তুংগী য়ুম্বী ওইরক্কদবা মহৈরোয়শিংবু শেন্দানফম ওইনা উদুনা লৈরক্লি হায়রি।

মশিং থিঙমদনা লৈরিবা প্রাইভেট স্কুলশিং অসি য়েংশিনবীনবা য়াওদবা স্কুল ওথোরিটিনা তৌনিং তৌনিংবা তৌদুনা, লৌনিং লৌনিংবা ফি লৌদুনা লৈরি। মহৈরোয়শিংগী মমা-মপা ওইরিবশিংদা অকনবা চৈথেং পীদুনা মচা শেন্দবা মমা-মপাশিংগী অৱাবা কয়া মায়োক্নরে। লমদম অসিগী অঙম অথৌশিংগী মচা-মশু মপান লমদা থাদোক্তুনা উশিন্নদনা লৈরি। হিরম অসিদা লৈঙাক্না থবক লৌখৎলকপা লৈতে।

এদ্যুকেসনগী ফীভম অসিদা লৈঙাক লৈরি হায়বগী করি মমি তারিবগে হায়না মরাল শিরক্লি। চহী খুদিংগী মেট্রিক অমদি ক্লাস টুয়েল্বকী ইগজামিনেসন্দা গভর্ণমেন্টকী স্কুলনা পোজিসন লৌবা ঙমদ্রে। চহী ১ ষ্টাফকী তোলোপ পীদুনা দিপার্টমেন্ট হাংদুনা চহীদা ক্রোর ময়াম থাদরিবা অসিগী ৱাহন্থোক লৈরিব্রা হায়না হংলক্লি। প্রাইভেট স্কুলশিংসু পোজিসন হোল্ডর পুথোক্লে হায়রিবা অমদি পাস পার্সেন্টেজ ৱাংই হায়রিবা স্কুলশিং অসি কোচিং সেন্টরনা ৱাংহল্লিব্রা স্কুল মশানা তাকপদগী ৱাংহল্লিব্রা হায়বসি অচৌবা ৱাহং অমা ওইরি।

## ইফটার পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৯ (ঐচ এন এস): মণিপুর ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন অলিগরনা থা অসিগী ২৭ তা অলিগর সিটি অমদি মসিগী অকোয়বদা লৈরিবা মণিপুরী মহৈরোয়শিংগী ওইবা অপূনবা ইফটারগী থৌরম অমা অলিগর মুস্লিম য়ুনিভর্সিটিগী অফতপ হোষ্টেলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিদা এসোসিএসন অসিগী প্রসিদেন্ট এম এম জাসির অহম্মদনা প্রসিদেন্ট অমদি এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার এম দি মহম্মুদ লোয়ননা এম দি মুষ্টাফানা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইখি হায়রি। থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা ইস্যু কয়াদা খন্ন-নৈনখিবগা লোয়ননা এসোসিএসন অসিনা শেংলবা রামজানগী থা অসিদা ইরমদম মণিপুর ঈং তপ্পা, তংদু লৈতাবা খুন্নাই অমদি চাউখৎপা পুরকপা ওইরসনু হায়না শেম্বীবা মপুদা থৌনিখি হায়রি। থা অসিনা লাকপদা মীপাল তাংদবা, মীখা পোন্দবা লমদম অমা ওইরসনু হায়না য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

## হেল্থ কেম্প পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, মে ২৯ (ঐচ এন এস): অর্থ্রাইটিস হেল্থ কেম্প অমা থা অসিগী ৩১ গী নুংথিল পুং ১ দগী ৩ ফাওবা সী এস আই আর- নোর্থ ইষ্ট ইন্সটিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, ব্রাঞ্চ লেবোরেটরি লম্ফেলপাৎতা পাঙথোক্লগনি হায়না সী এস আই আর নোর্থ ইষ্ট ইন্সটিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

# টি জি স্কুলগী ব্লোক অথুবদা লোইশিনবীয়ু : এমসু

ইম্ফাল, মে ২৯: তম্ফাসনা গার্লস হায়র সেকেন্দরি স্কুল অসি নুপীশিংগী ওইবা স্কুল ওইজরবসু মীয়াম্না পাম্নবা স্কুল অমনি অমদি পোজিসন কয়াসু লেপ্তুনা পুথোক্তুনা অফবা মহৈরোয়শিং পুথোকপা ঙমখ্রবা স্কুল অসিগী চহী কয়াগী মমাঙদগী শাগৎলিবা বিল্ডিং ব্লোক অসি লোইশিনবীয়ু হায়না ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু), ইম্ফাল ৱেষ্টনা ফোঙদোরক্লি।

এমসু ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী জেনরেল সেক্রেটরি থোকচোম বসন্তনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, টোটেল এদ্যুকেসনগী শরুক অমা ওইনা গভর্ণমেন্টনা স্কুলশিং হেন্না ফগৎহন্নবগী পান্দমদা ক্লাস টেনগী ইগজামিনেসন ফাওবা হায়দোক্ত্রিঙৈদা কম্মন এন্ট্রান্স টেষ্ট (সী ঈ টি) পাঙথোক্তুনা অফবা মহৈরোয় কয়া গভর্ণমেন্টকী স্কুলদা তমহৌনবা পোলিসী প্রোগ্রাম কয়াদি পায়খৎপীরি। অদুবু মহৈরোয়শিং অদুগী কেপাসিটি অমদি ফম্ফমনচিংবা মাঙজৌননা শেম-শারগা থম্বীদবনা স্কুলশিং অসিদা তমগদৌরিবা মহৈরোয় কয়াদা অৱা চৈনা পীবা ওইনা থোক্লে।

টি জি হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা অচেৎপা থাজবা অমগা লোয়ননা তম্নিংবা মহৈরোয় কয়া অমদি তম্বা ফংলোইদৌরিবনি। অদুবু মতম কয়াগী মমাঙদগী স্কুল অসিগী মমাঙথংবা শরুক্তা অচৌবা মফম অমনা কনশিন্দুনা শেমগৎলিবা বিল্ডিং ব্লোক অসি করম্বা মতমদা লোইশিনগদবনো হায়না হংলক্লি। চাউরবা মফম মাঙহল্লিবা শরুকশিং অসি মপুং ফানা শেমজিন্নবা লৈঙাক্না হোৎনবীয়ু। মফম অসিদা শীজিন্নদবা ক্লাস কয়া অমা লৈরি। অপীক-অপীকপা কা মচা কয়া থোক্না খায়দোক্তুনা ক্লাসরুম ওইরবসু য়ারবা, শীজিন্নবা য়াদবা কা ওইনা মাঙহন্দুনা থম্লি। স্কুল অসিদা তমজনিংবা অফবা মহৈরোয় কয়া অমদি স্কুলগী কেপাসিটি লৈতবনা তম্বা ফংলোইদৌরি। লায়রবনা খুৎলিংবা খুন্নাই অসিদা অৱাংবা থাক্কী মহৈ তমজনিংবা মহৈরোয়শিং গভর্ণমেন্টকী স্কুলশিংদা তম্নরি। অদুবু তম্বা ফংলোইদ্রা হায়বগী মীপায়বসি লৈঙাক্না ফাওহনবীদনবা ক্লাসরুম কয়া হাপচিনবা অমদি মহৈরোয়শিংগী দিমান্দগী মতুংইন্না হেনগৎপীয়ু হায়রি।

## নুপীমচা অমা পুখ্রিদা তাদুনা শিরে

ইম্ফাল, মে ২৯ (ঐচ এন এস) : লম্লাই পুলিসকী অৱাংদা কিলোমিটর তঙ্খাইমুক চৎলগা লৈবা নোংঙাদা মখা লৈকাইদা চহী ২ থা ৭ রোমদা ঙাইরিবা নুপীমচা অমা য়ুমগী ইঙ্খোল মনুংদা লৈবা পুখ্রিদা তাবদগী লায়কন্নরবা মতুংদা লৈখিদ্রে। ঙসি অয়ুক পুং ৭ রোম তাবদা পুখ্রিদা তাখিবদগী অয়ুক্কী পুং ৯.৩০ রোম তাবা মতমদা ফংখিবা নুপীমচা অদুগী মমিংনা লৌরেম্বম নীংথিবী চনু অপোকপা অমু মীতৈ কৌই। অঙাং অসিগী মমানা ঙা লৌরুরগা মনেমবোক্তা পীজরম্লগা থোক্লকপদা লৈরমদবদগী থিবদা ঈশিংদা তাদুনা লৈবা থেংনরকখিবনি।

PRE-SUMMER & STOCK CLEARANCE
SALE OF GENTS ITEMS
- UPTO 78% OFF
(1) GENTS COTTON BASED SHIRTS & T. SHIRTS
(2) GENTS 100% COTTON HALF KURTA WHITE & COL.
(3) GENTS TROUSERS CASUAL & FORMAL
M.R.P. ₹995 to ₹1995 / Offer - ₹395 to ₹495 only
Venue :- BRIGHTWAYS
Dharamashala Road 1st Floor,
Opposite Punjab & Sind Bank, Imphal-1
N.B. Good Without this offer & items at a Fixed Price are also Available.
A House of Exclusive Readymade Garments & Hosiery.
HL-B/4551/1-31April(Alt)

IMPHAL BOOK FAIR
26 May to 3 June 2018
at DM College of Science, Imphal
TODAY'S ATTRACTION
11.00 A.M. to 1.00 P.M.
Enacting a Story : Workshop
4.00 P.M. to 6.00 P.M.
Career in Book Publishing
इंफाल पुस्तक मेला
Entry Free
10% Discount on all Books
nbt.india
Organized by
NATIONAL BOOK TRUST, INDIA
Ministry of Human Resource Development, Government of India
In Collaboration with
Directorate of Education (U)
& Saheed Madhumangal Foundation
NO:21103/11/0011/1819



## REGIONAL INSTITUTE OF MEDICAL SCIENCES

Imphal: MANIPUR - 795 001

(An autonomous Institute under the Ministry of Health & Family Welfare, Govt. of India)

### NOTICE

Imphal, the 28th May 2018

**No.B/561/2018-RIMS/2152:** A walk-in-interview for selection of suitable persons for the posts of Senior Residents in the following departments of RIMS Imphal will be held on 5th June 2018 at 11.00 a.m. in the Conference Room of Jubilee Hall, RIMS, Imphal. The appointment is purely on Tenure basis for a limited period of 3 (three) years. Interested candidates having the following qualification, experience and when the upper age limit may attend the Walk-in-interview on submission of an application enclosing their bio-data, along with photocopies of relevant testimonials to the office of the undersigned on or before 4th June 2018. Candidates associated with the Health & FW Govt. of Manipur have to enclose ***"No Objection Certificate (NOC)"*** from the concerned department failing which their candidature may be cancel without further information to be concerned candidate. The candidates have to produce their original certificates, testimonials before the Selection Board.

**Department wise vacant posts of Sr. Resident are as follows :**

| Sl. No. | Name of Post | Scale of Pay | No. of Post | Reservation | Qualification and experience |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Sr. Resident (Anatomy) | P-B3 Level-10 | 2 | UR-1, OBC-1 | * Postgraduate degree (MD/MS/DNS) in the respective subject from the institute recognized by MCI |
| 2 | Sr. Resident (Anaesthesology) | –do– | 1 | UR-1 | |
| 3. | Sr. Resident (Medicine) | –do– | 1 | OBC-1 | |
| 4. | Sr. Resident (Orthopaedics) | –do– | 2 | UR-1, OBC-1 | |
| 5. | Sr. Resident (Pathology) | –do– | 2 | UR-2 | * Candidate must be registered with the State Medical Council/ Medical Council of India |
| 6. | Sr. Resident (Plastic Surgery) | –do– | 1 | UR-1 | |
| 7. | Sr. Resident (Biochemistry) | –do– | 1 | UR-1 | |
| 8. | Sr. Resident (Surgery) | –do– | 2 | UR-2 | |

* *For one post of Sr. Resident in Medicine Department will be leave substitute till 31/12/2019.*

\# Vacancy may increase or decrease. The numbers of vacant posts indicated above (including backlog vacancies) are provisional and subject to the change according to vacancies without any notice.

The Pay Band of Rs. PB 3 Level-10 is being reversed to PB 3 Level-11 with approval of the Ministry of Health & Family Welfare.

The upper age limit is 45 years relexable 3 years for OBC and 5 years for SC&ST candidates and also age relaxation for physically handicaped candidates will be provided as per Govt. of India norms. In case the vacancies are not filed up by the reserved category, the vacancies will be given to the Un-reserved category.

Applications address to the Deputy Director (Admn) i/c will be received upto 3:00 p.m. of the 4th June 2018.

Sd/- L. Ibemhal Devi
Deputy Director (Admn) i/c,
Regional Institute of Medical Sciences, Imphal

HL-B/4671/30

STUDY MBBS/MD IN ABROAD
BANGLADESH: PRIME MEDICAL COLLEGE, RANGPUR COMMUNITY MEDICAL COLLEGE, TMSS MEDICAL COLLEGE, SYLHET WOMEN'S MEDICAL
KAZAKHSTAN: SEMEY STATE MEDICAL UNIVERSITY, ASTANA MEDICAL UNIVERSITY, NORTH KAZAKH STATE UNIVERSITY
PHILIPPINES: - AMA SCHOOL OF MEDICINES, UNIVERSITY OF PERPETUAL HELP SYSTEM,
CHINA: HENAN UNIVERSITY TCM, HENAN UNIVERSITY OF SCIENCE AND TECHNOLOGY, ZHENGZHOU, KUNMING, QIQICHAR MEDICAL UNIVERSITY AND YUNAN UNIVERSITY OF TCM.
RUSSIA : ALTAI STATE MEDICAL UNIVERSITY, RUSSIA.
PLZ Contact: - Haji Salam , JR International Education Consultant
Near Cambridge School, Old Campus Imphal, East, Manipur.
Contact No. : 8794084294, 9615706900, 8415930785, 8974084294,
HL-P/1223/65-5/6

biophone
BIOPHONE
EDUCATIONAL SERVICES
Wangkhei Ayangpalli Road (Laishram Leikai), Imphal
ADMISSION OPENS
ASCENT PMT COURSE FOR NEET, 2019
PHYSICS. CHEMISTRY. BOTANY. ZOOLOGY.
Form Available from 21/05/2018
Class begins from 21/06/2018
Do not come for the sake of Tuition Culture. Come to Learn.
IF YOU WANT TO BE A DOCTOR, LET US HELP YOU.
FOR DETAILS, VISIT BIOPHONE (SEARCH IN GOOGLE MAP)
WANGKHEI AYANGPALLI ROAD (LAISHRAM LEIKAI), NEAR EDEN PUBLIC SCHOOL
HL-B/4642/235-66